**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-01-2026)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়রি-মনিপুরগী ইতিহাসতা মায় পাকপা কয়া লৈরবসু ইং ১৮১৯ দগী ১৮২৬ তা বর্মানা খুদুম চনখিবা মীয়ামনা চহি তরেৎ খুন্তাকপা হায়না খঙনবা মতমদা অৱাবা কয়া মায়োকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী লংথাবালদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ খুভমদা পাঙথোকখিবা মহারাজ অসি লৈখিদবগী ১৯২ শুবা কুমওন থৌরম রাজ্যপালনা লুচিংদুনা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মফমদা লৈ কৎখি। রাজ্যপালনা মৈদিংঙু নরাসিংহ অমসুং সনা হেরাচন্দ্রগী মীতমদসু লৈ কৎখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়-চহি তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা লমদম অসি হিংবগী লন্বীদা চাউনা শিংনবা অমা ওইরমখি। অদুমওইনমক, মসিনা মহারাজ গম্ভীর সিংহগুম্বা তোপ তোপ্পা লুচিংবা অমা থোরকপগী তঞ্জা পীখি। মহাক্কী থৌনা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অদুনা নীং-খা তমবগী ৱাখল্লোন অদুগী পুকিং থৌগৎপা ওইখি। রাজ্যপালনা হায়-মহারাজ গম্ভীর সিংহগী অসি লানদা মায় পাকপা খক নত্তনা মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা লুচিংবা অমনি। মসিনা মরম ওইদুনা ত্রিতি ওফ য়ান্দাবোগী খুথাংদা মনিপুরগী অমত্তা ওইবগী ৱাফম অসি অন্টরজাতিগী থাক্তা মশক খঙহল্লমখি।

থৌরম অদুদা, মনিপুর রাইফলসকী কন্টিজেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওন্নর, গন সেলুট অমসুং লাস্ত পোষ্ট খোঙদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। রাজ্যপালনা লুচিংদুনা তর্পন কৎখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**য়ুপিএফ (এল)ঃ** য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মনিপুরনা ঐখোয় অমুক

হন্না খুন্তাক্লরোইহিসি হায়বা ৱাখল্লোন্দা থাবুম অমা চুপা পাঙথোরকপা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ঙসি লোয়শিনবা নুমিৎতা ইম্ফালগী মনিপুর কলেজতগী মীয়ামগী ওইবা খোঙচৎ অমা চৎলবা মতুংদা কাঞ্চিপুরগী লংথাবাল খুভমদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ, নরা সিংহ অমসুং সনা হেরাচন্দ্রগী মীতমদা মীয়ামনা লৈ কৎখি। মফম অদুদা পাঙথোকপা নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থ লোয়শিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা য়ু.পি.এফকী প্রসিদেন্ট-নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা হায়-মনিপুরগী ৱাংমদা অসাম, ত্রিপুরা অমদি মেঘালয়নচিংবা মফমশিংদা খুন্দারিবা মনিপুরিশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থাবুম পালন অসি পাঙথোক্কুনা, মনিপুরিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা, অপুনবগী শক্তি অমা শাগৎনবা পাউজেল পীখি। মদুগী মতুংদা, মনিপুরদা অমুক হল্লক্কনা নুমিৎ নিনি চুপা চাক অনি পানবা গাড়িগী রেল্লি পাঙথোল্লবা মতুংদা ঙসি লোয়শিনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা য়ু.সি.এম, এমশু, হেরিকোন, সি.সি.এস.কে, ইপসা, লীপুল অমসুং ইম্ফাল নাগা ফোরমগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

অসামগী কছারদা লৈবা মহারাজ গম্ভীর সিংহ-নরা সিংহ নীংশিং ফম্বাক মনিপুরি লেভি লম্পাক্তা ঙসি মহারাজ গম্ভীর সিংহ লৈখিদবগী ১৯২ শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি। মহারাজ গম্ভীর সিংহ মেমোরিএল কমিতিনা শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবশিংনা মহারাজ গম্ভীর সিংহ অমদি নরা সিংহনা বরাক তম্পাক্তা লৈরগা মনিপুরবু অৱাগী মখুৎতগী কন্ননবা হোৎনখিবগী ৱাফম কয়া শিংথাদুনা ফোংদোকখি।

কছারগী কমরঙ্গাদা লৈবা অৱা পল্লি খুভমদসু নীংশিং থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়ামনা মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মীতমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**টেক্সতাইল ঃ** গুৱাহাতিদা নুমিৎ নিনি চথরকপা নেসনেল টেক্সতাইল মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসি লোয়শিনখ্রে।

মীফম অদুদা ভারতকী টেক্সতাইল ইকো সিষ্টেমবু ইনোভেসন, সসটেনেবিলিতি, হেরিটেজ ঙাক্তুনা থম্বা অমসুং মপান লমদা পোৎথোকশিং থাদোকপগী চাং হেনগৎহন্নবগী মতাংদা কুপা খন্নখি। নুমিৎ নিনিগী মীফম অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মন্ত্রিশিং অমদি ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কেন্দ্রগী টেক্সতাইলগী রাজ্য মন্ত্রি-পাবিত্রা মারগেরিতানা হায়-মীফম অসিদা টেক্সতাইলগী লমদা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নদুনা ভারতপু মালেমগী ওইবা টেক্সতাইলগী হব অমা ওইনবা মংলান অদু মংফাওননবা অমদি লম্বী য়াৎনবা হোৎনবদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি।

মীফম অদুদা মনিপুরগী ওইনাটেক্সতাইল, কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি-অনুরাগ ভাজপায় অমসুং হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দিরেক্তর-এলাংবম জিতেন সিংহ্ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যশিংগা মন্ত্রালয়গা য়ান্ন-ৱারোল কয়ামরুম সহি তৌনখি। মদুগী মখাদা টেক্স রাম্প স্কিমগী মখাদা জিলা থাক্তা করি করি প্রোগ্রাম পায়খৎপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা অহানবা ওইনা পাইলোট প্রোজেক্ট তৌনবা সহি তৌনখি। মসিগী মথক্তা মনিপুরদা লফু, কিহোম, থম্বাল, ৱানচিংদগী লং শুংদুনা ফিরোল পুথোক্লবসু মনিপুরগী ওইনা আর.এন.দিগী টেকোলোজিদা অহোবা খরা লৈবনা টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী গাইদ লাইন শেম্বদা মসিবু হাপচিনবীনবা তকশিনখি।

মীফম অদুদা ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট ময়াদা টেক্সতাইল সেন্টর হাংদোক্তুনা এরোপ্লেনগী ভারা হন্থহন্নবা, ব্লোক খুদিংমক্তা সোল্লর পৱার ৱাকসেট থম্বা, জি.আই.ফংলবা পোৎথোকশিং ক্যু আর কোড চৎনহনবা অমদি ইম্ফালদা দিজাইন্দ ইনভেষ্টর ফ্যুজন লেব শানবা থৌরাং তৌরিবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎখি।

**হোম (এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা ইন্টিগ্রেটেদ এন্তি এক্সত্রোসন সেল হাংদোকখিবা অসিনা রাজ্য শিনবা থুংবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বশিং থিংনবা হোৎনবদা রাজ্য পুলিস, সেন্ত্রেল আমদ পুলিস ফোর্স, অসাম রাইফলস অমসুং ভারত লান্মীগী মরক্তা অমত্তা ওইনা থবক তৌমীন্নবগী খুদোংচাবা পীরি। সেল অসি মমাং চহিগী জানুৱারী ২৬ তা হোম বিভাগতা হাংদোকখিবনি।

রাজ্যগী কম্মিস্নার কম-সেক্রেটরি (হোম) এন. অশোককুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-এন্টি এক্সত্রোসন সেল অসিগী টোল ফ্রি হেল্প লাইন নম্বরনা-১৮০০-২০২-৩৩২৬ নি। মীয়ামনা নম্বর অসিদা নমদুনা শেল খায়বগী ফোন তৌরকপা, মেসেজ থারকপা নৎত্রগা চিঠি ইরকপগী মতাংদা রিপোর্ট তৌবা য়াগনি।

চেরোল অদুনা হায়-মীয়াম অমসুং সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা অসিগুম্বা থৌওংশিং থেংনরবদি সরকারগী মতেং পাংদুনা খুদক্তা রিপোর্ট তৌবীরক্কদবনি। ইন্টিগ্রেটেদ এন্টি এক্সত্রোসন সেলনা রিপোর্ট হেক তৌরকপগা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা খুদক্তা থবক লৌখৎনবা হোৎনগনি। লমদম অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্ষা ঙাকা থম্বা হায়বসি মনিপুর সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি অমদি লমদম অসিদা নমদুনা শেল খায়বা থিংনবা হোৎনবদা মীয়ামগী সহজোগ য়ামমক তঙাইফদে।

**ধনমঞ্জুরি (এল)ঃ** ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী অনিশুবা সিনেট মীফম ঙসি লোক ভবনগী দরবার হোলদা য়ুনিভরসিতি অসিগী চাঞ্চেল্লরসু ওইরিবা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার ডব্লিয়ু. চান্দবাবু সিংহনা য়ুনিভরসিতি অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি খুমাং চাউশিল্লিবশিংগী মতাংদা পাউদমখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চাঞ্চেল্লর-অজয়

কুমার ভালানা হায়-নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ চৎনহন্নবা হোৎনবদা য়ুনিভরসিতি অসিনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিংঙাইনি।

মহাকা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিদা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা কয়া লৈরবসু শিক্ষা অমসুং রিছার্সকী লমদা য়ুনিভরসিতি অসিনা খুমাং চাউশিল্লিবা অসি পুকিং থৌগৎনিংঙাইনি।

য়ুনিভরসিতি অসিগী অহানবা কনভোকেসন থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্লগনি।

**বসন্তকুমার (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা অনি ফাওনবগী য়ামা মরুওইবা লম্বী অমা ওইরিবা নম্বোল খোরিফাবা চিংমাংদগী হিংয়াংথাং তাবা লম্বী অসিদা শাবা মেরাখোং থোংগী ফিভম ঙসি নম্বোল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. থৌনাওজম বসন্তকুমারনা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিনবগী খোঙচৎ অদ্দা দিপার্টমেন্টকী মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংসু শরুক য়াখি। খোঙচৎ অদুদা শ্রী বসন্তকুমারনা ওফিসিএলশিং অমদি থবক শুরিবা মীওইশিংদা থোং অসি অপিবা মতমগী মনুংদা নীংথিনা ক্বালিতি মেন্টেল তৌদুনা শাবা লোয়শিন্নবা পাউতাক পীখি।

**ৱেদর (এল)ঃ** মনিপুরগী সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল অমসুং চুরচান্দপুর জিলাগী মফম খরদা হয়েং লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্ট রিজনেল সেন্টর ইম্ফালনা হায়-তমেংলোং, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা ময়াই ওইরপ লৈচিল থাগনি।

**হোমঃ** নেসনেল আই.ই.দি. দেটা মেনেজমেন্ট সিষ্টেম (এন.আই.দি.এম.এস)

গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙসি হৌদোকখ্রে। খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী ইন্টরনেসনেল সেক্যুরিতি আর্কিটেকচর অমসুং কাউন্টর আই.ই.দি. তৌনবা হোৎনবদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অনৌবা সিষ্টেম অসি হৌদোকপগা লোয়ননা এজেন্সিশিংগী মনুংদা অমগা অমগা মতেং পাংনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদ্রে। মহাকা হায়-মসিনা মফম মতম চানা অচুম্বা পাউ পীবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। এন.আই.দি.এম.এস. অসি নেসনেল সেক্যুরিতি গার্ডনা শেম্বা শেমগৎপনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-এম.আই.দি.এম.এসনা এন্তি টেরোরিষ্ট স্কাউট য়ুনিট, পুলিস অমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেন্ট্রেল আমদ পুলিস ফোর্সশিংনা ওন লাইনগী খুত্থাংদা দাটাশিং শিজিন্নবা য়ারগনি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ঙাকশেলগী পোৎলমশিং পুথোকপদা ভারত অসি মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইবগী লম্বীরোমদা চংশিল্লক্লি।

উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা ইলেক্ট্রিক্ট ভেহিকল শাবগী ফেক্তরি অমা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাকা ফোংদোকখিবনি। শ্রী রাজনাথনা হায়-সরকার অসিনা চৎন-পথাপ কয়ামরুম লায়থোকহন্দুনা অমদি তঙাইফদবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপদগী শেল থাদবা মীওইশিংগী থাজবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা লল্লোন ইতিক তৌবগী থবকসু হেনগৎহল্লে।

মহাকা হায়-ঙাকশেলগী পোৎথোক মতম অমদা চহিদা লুপা কোতি লিশিং ৪৬ ওইরম্বা অদু হৌজিক লুপা কোতি লাখ অমা লিশিং ৫০ হেনগৎলে।

**এক্সটরনেলঃ** মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক-রাধির জেসৱালনা হায়-ভারত অমসুং আমেরিকাগী মরক্তা লল্লোন ইতিক তোবা য়ানবগীদমক ৱারী

শান্নরি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী জেসৱালনা হায়-নাকল অনিনা য়ান্নবা পুরকবা ৱারী কয়ামরুম শান্নরে। মহাকা হায়-লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ান্নবা মওংদা লল্লোন ইতিক তৌনবা হায়বসি ভারতকী অপান্বনি। শ্রী জেসৱালনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পকী মরক্তা ইং ২০২৫ দা ফোনগী খুত্থাংদা ৮ লক ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মপাং ওইবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**বঙ্গলাদেসঃ** বঙ্গলাদেসতা লৈবা ফিশা-লোনশাগী কম্পানি অমদা থবক তৌবা দিপুচন্দ্র দাস হাৎপদা চেন্নবা মীওই অমা লৈবাক অদুগী পুলিসনা ফাগৎখ্রে।

মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা থিজিন হুমজিনবগী থবক লেপ্তুনা চংশিনবগা লোয়ননা ধাকাগী দেমরা এরিয়াদা লৈবা মজিদ অমগী ইমাম ওইবা ইমাম-য়াশিন অরাফত দিপুচন্দ্র দাস মীহাৎতা মরুওইনা চেন্নবা মীওই অমনি হায়দুনা মাইমেনশিং পুলিসনা ফাগৎখিবনি। পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না চহি ২৫ শুরবা য়াশিন অরাফতনা দিসেম্বর ১৮ দা থোকখিবা মীয়ামগী এট্রেক অদুগী মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা মীওইনি। হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ২১ ফারে।

**কেম্প (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতিক কম্মিস্নার-পুজা এলাংবমনা জিলা অদুগী আই.দি.পি. অঙাংশিংগী ওইবা ফুটবোল ত্রেন্নিং কেম্প অমা ঙসি হৌদোকখ্রে।

জিলা অদুগী মিণি সেক্রেটরি কমপ্লেক্সতা হৌদোকখিবা থা অহুম চুপা চত্থগদবা ত্রেন্নিং কেম্প অসিদা আই.দি.পি. অঙাং ৩৫ দা ফুটবোলগী ত্রেন্নিং পীগনি। অঙাংশিং অসিদা মালেম অমসুং জাতি থাক্কী সার্টিফিকেট পায়রবা কোর্চশিংনা তাকপী তম্বীগনি।

কেম্প অসি এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী মখাদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ৮ শুবা দি.ই.টি.টি. বটালিয়ন সি.আর.পি.এফনা শিনবনি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচতা ফুটবোল ক্লব-লমজাউনা পথাপ এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-নেরোকা এফ.সি. অমসুং উৎলৌ এফ.সি. পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো ওইখি।

**ফুটবোল ঃ** তরুকশুবা চন্দ্রনিদি ত্রোফিগী ঙসি হাউরৈবী ইন্ফাল ৱেষ্ট কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচতা-ৱাঙ্গোই এফ.সি. অমসুং ওল স্তার কিয়ামগৈ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-সনা এফ.সি. থৌবালনা টাম এফ.সি. সেক্তাবু পাঞ্জল ১-০ দা অমসুং পি.সি.এফ.সি. সেকমাইনা খুরাই এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগকী এস.এস.সি. গ্রাউন্দ সেক্তা শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইটেদ চান্দেল এফ.সি. অমসুং অসুফি এফ.এ. পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এঠলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**খেল্লো ঃ** ছাতিসগরদা পাঙথোক্কদবা অহানবা খেল্লো ইন্দিয়া ত্রাইবেল গেমসতা শরুক য়ারুনবা মনিপুরগী ফুটবোল শান্নরোইশিং খন্নবগী রাজ্য থাক্কী অরোইবা

ত্রাইয়েল সেলেক্সন ঙসি সেনাপতিদা লোয়শিনখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকপা ত্রাইয়েল অদুদা নুপী শান্নরোই ৩৬ য়াওনা নুপা শান্নরোই ৪৬ খল্লে।

**ক্রিকেট ঃ** ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা রেজ-নাগামপালনা এস.এন.সি. সঙাইপ্রৌবু রন-১২ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফিগী ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নখিবা মেটচতা অল-অমিন লিলোংনা য়ু.সি.সি. কাংচুপ রোডপু ৱিকেট তরুক্তা থোইখি।

থৌবালগী পাব্লিক গ্রাউন্দ-খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-রুল মৈত্রমনা কে.এস.দি.ও. কিয়ামগৈবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখি।